ৱারীমচা

# ওক্তবী

- খুমন্থেম গৌরকিশ্বর

"ওক্তবী চৎপিখরোনে, নং লাকপদগী ঐ মীরক তিনবা য়াদ্রেনে লৈকায়না মুশুক মুশুক ঙাংনরেনে। করম্বা জাৎনো'সিবো অসুক থিনা থিনা হায়ববু করিমক্তা ইকায়বা নাইদবসিবো।" ৱা অসি তোম্বনা শিংলি পুম্ন মক তোংথোকপমখৈ য়ুমজাওগী ৱাংলবা অমসুং মতা ফবা মখা থাংবগী দাড়ি মপান্দা লেপতুনা লাউরকই। অসুম্না চৈবা মীচৈ অসি অয়ুক নুংথিলগী মতমদা ক্বাক্লা মতম, মফম নাইদনা তক্তনা খোংবগুম রজনীগী মনাকোংদ তারবসু তাদবগুম থোক্লমই। অদুবু মী অমনা অশুক থৱায় শোকপমখৈ থৌদোক অমা থোকহনগে হায়দুনা চৈরগা রজনীগী মমায়দা থক্কৎপগী মমি করি অমতা উবা ফংদবদা তোম্বগী মথৱাইদু প্রোক প্রোক অহোয়ননা চাকখৎলম্মী। ঙসিদি নিংথৌকাবা নুমিৎনি, ঙসিমক চৎনখরগে হায়না খন্দুনা অয়ুক্তগী হৌনা নৈবা হৌখি।

য়ুমজাওগী মখা থংবদা, মরুম অমদা মহৌশা শিঙ পৈনরম্বা শঙ্গোয় মতেক অমা লৈ। হন্দক রজনী মচা পোকপসিদা শঙ অদু ৱাঙ্গোল শঙ ওইনৈ। মতম কুইনা শেন্বীদবনা শঙ অদু মফম মফমদা নোং য়ুই, ফক্লাং অদুনা চেকশিঙনা থিঙ্গাই য়ৈখাইবদগী মফম মফমদা ইহো হোরি অমসুং নিঙখাইরি। খজিক্তং শাফবা মফম খন্দুনা রজনীনা ফমুং অদু পৈরপ্লা থারগা পোকপদগী হৌনা তিনজেন লাইজেন্নরক্লবী থা তরুক্তা ঙাইরিবী অঙাং অদু লাইকন্নদুনা লৈ। থা তরুক ফারব'সি ফাওবদা রজনীদু মাঙ্গোলশঙদা অশুম্মক লৈহল্লে। মচাগী মরমদা নুংনাংখিবনা অয়ুক্তগী হৌনা মপুরোইবনা চৈরক্লীবা পুম্নমক তারবসু করি হায়না চৈরিবনো হায়বদু খন্থবা শংঙমদে। অসুম্না তোম্বনা থৱাই হকচাং শোক্লা মতম চঙনা হোৎনববু রজনীনা চেক মক হেক লাউদবমকৈ তুমিন্না য়ৈশিন্দুনা লৈবা উবদা নহানমখৈ ৱামৈ চাক্লন্নবা তোম্বগী মথৱায়দু খঙহৌদনা মৈরী হৌরে। শাউমনখিবনা অফবা নাচৈ অমা পায়রগা "নং চৎলো য়াররোইদ্রা" হায়না ঙাঙদুনা ময়া খজিক্তং কাদুনা থমজবা রজনীগী থোং কাওখাইদুনা মমা মচা কুঞ্জরিবা খুনু মকোন্দা খঙহৌদনা লিল চংঙকপগুম তোম্বা ফি ফি কামদুনা চঙলক্লে। রজনী ৱা ঙাংদে, মপুরোইবদা মুন্না য়েংঙল্লগা লুকথখি।

"নং চৎলু য়াররোইদ্রা?" নাচৈ মতোন হাইগৎতুনা শাউনা হায়রকই। "চচ্চনি" রজনীনা খুমদবা য়াদদুনা খুম্মকই।

"চচ্চনি, চচ্চনি- কৈদৌঙৈ চক্তৌরি?"

"অঙাংসিদদি নাব ফরগা চচ্চগে।"

"নং অঙাংদুদি ফররোইদবনিনে; নংগী অঙাংনা ফবা ফাওবা নংনা অশুমক লৈবা তারবদি ঐদি মুৎলেদনা- ঐদি মাঙজরে হায়বা-।"

থাঙ্গৈশেংনমক রজনীগী অঙাংসি ফররোইদবনি। মমা পুকনুংগী খরদি তিনজেল্লকই হায়ববু খরদং যতন তৌরম্লবদি ফবা য়াবনি, অদুবু লৈরিবা ফিভমসিদা তোম্বনা 'ফররোইদবনিনে' হায়বসি ভবিষ্যবাণীগুম থোক্লগদবা লৈরবসু মরম লৈদুনা হায়বনি। ফরবসু ফত্রবসু মচাগী মরীদা মপুরোইবগী চিনমক্তগী অসিগুম্বা ৱাহৈ তাবদা মমা ওইবীগী থৱায় য়াম্না ৱাখি।

"অদুগী শরুকপুদি খর থুনা শিখিনবা খৌরাংদুম তৌ" অমুকসু অচাকপা মৈদা ঘী হৈবগী ৱা অসি তাবদা রজনী মপুরোইবদা মমিৎ লাওথোক্তুনা য়াম্না চাক্লা য়েংই। নাকন্দা শিরুম নারুম তৌরবী মচানুপী অমা অদুগা মথৱায় ৱাবদগী মশম মনা ইফা ফারবী কুচু-কুমেন থোক্ত্রবী, সংসারগী জঞ্জালনা মুর্ত্তি ওইনা চোংথোক্লবী খোমনৌরিবী রজনী উবদা তোম্বগী থৱায় শরুক চামা হেন্না চাকখরে। অশাওবা পুম্বা ফাজিন্দুনা মাঙজৌননা তাকপিহৌগে মতাগুম হায়রকই :-

"করিগী ঙক্লি! নংদি শোয়দনা চৎপা তারবনি- মসিমা খঙউ; শিরুম নারুম তৌরবা অঙাংসি পুদুনা চৎখ্রগা মী অমুক ওৎলুগেরা?" মপুরোইবগী ৱাসি তাংবদা রজনীগী থম্মোয়দা থুপ্লবা ঈচেল অমা হৌখি। ওন্থোকপনি, নুপী ওইবগী পুকচেল হায়বসে ৱাহৈ খরনা হেক্তা ওলহনবা য়াই।

"ঐমুক মপোক ফত্তনা পোকপী নুপীদি অতৈ অমা লৈরমলরোই। লাই হায়বসিসু মমিৎ তাঙবোইরেদকো! মীগী মচা নুমিৎ থাগুম য়েংদুনা লৈজবদি নমদুনা নমদুনা পুরগা ঐগুম্বী করিশু লৈত্রবী শিবদা ঙাইদুনা লৈজরবী ঐবুদি- ময়ামগী পোৎলুম ওইনবা লাক্লবনিদকো!" অসি হায়রগা শেগাইরবা অমদি মল্লবা জয়পুর মচেৎ অদুনা মমায় খুমদুনা হিক্লা হিক্লা কপখি।

"নংনা কপশিন্নদুনা কান্নরোই চৎনবা থৌরাং তৌ। নং লৌরুবদা ঐগী ইরল ইথুম, মান ঈজ্জৎ, অহল লমন, কৈরোয় লৈকায় অশুক য়াম্বা পুম্নমকসি মাঙজরবনি। নং নশানশু য়াজরিবদুনি মদুগী মথক্তা ঐনসু অমুক হায়গে নাসিদিনে ওন্থোক্লা খেনফম ফত্তবদা পোকপনি- মাঙতাক্লবগী মশক্লি-।"

"করিগীদমক্তা ঐবু নুপী অমা ওইনা লৌশিনবিরিবনো?"

"মদুদি ঐঙোন্দা হংগদবা নত্তে, নংগী নরাইবক্তা হংউ?"

"নুমিৎ অদুদা- নুমিৎ অদুদা- তমথিরবসু তমথিনা কনানসু খামবীরমদনা শিরম্লবদি অসুক য়াম্না অৱাবসি ফংলোইদবনি।"

"কনানা খামখিবা! কনা খামখি?" ঙক্লদুনা হংঙকই। রজনী খুমদে মমায় খুমলগা হিক্লা হিক্লা কপখি। তোম্বনা ঙহাক ৱাখল তৌরুরগা হায়রকই:- "ঙসি নুমিৎ ফরিঙৈ অসিদা শোয়দনা চৎলুকো।"

"কদায়দা চৎলু হায়বগে?"

"কনা খংনি নংনা চৎনিংবা মফমদা চৎলুনা- নপামদা চৎলুদনা।"

"ইপাম! ইপাম কদাইদা? পোক্তবীগী মরৈদগী খাঙঙমদ্রদুনা ছুরি পায়দুনা ইতোমতা শিগে তৌরুই; মদুদসু লাইবক থিবনা শিবা ঙমহৌদ্রে শিহৌদ্রবশু মপোক ফত্তবগী হৌনবী মায়কৈ শলাই খঙদনা অদুমক ঙাওদুনা চচ্চখ্রবসু ফরমগনি।

"উম, চুম্মী নংদি মদুনা পক্কনি।

অদুদি করিগীদমক ঐবু মফমসিদা ফাদুনা থম্বিরি?

তোম্বনা য়াম্না তুক্কচবগী মীনোক অমা নোকখি অমসুং হায়রকই-

"নংবু ঐনা নুপী অমা ওইনা লৌরনি হায়বসি নং থাজব্রা? খক থাজরোই, নমঙদা ফাওবা মঙলোইদবা ৱাফমনি। ঐ নংবু নশক মুন্না খঙই- নপামদা নংনা করম্বা অবস্থাদা লৈবা, নমা পোক্তবীনা নংবু করম হায়না শিজিন্নবা অসি পুম্নমক ঐ খঙই, অদুবু যৌবনগী মাঙনবগী মশক ওইরবা তমথিরবা মায়াসে নংঙোন্দসু লৈ ঐঙোন্দসু লৈ অদুবু নংগুম্বী নুপীদি হৌজিক খল্লিবা ৱাখলসে আ: মচিনঙৈদা খনফম থোকই, হায়যু করি ৱাখলদগী নংগুম্বনা ঐঙোন্দা লৈগনি লাক্লিবনো?

ৱা অসিনা রজনীগী থম্মোয়গী মফম খুদিংদা মৈ চুবা হৌরক্লে অমসুং হায়রকই :-

"ঐগুম্বী মপোক ফত্তবী, ওক্তবীবু য়ানবা হায়জ-চচ্চরবদা নুপা হায়বসিদ করি অমক্তা মরাল লৈত্র?"

"নংনা লাল্লি হায়রগা হেক লানগদ্রা নখোয় নুপী হায়বসিদি মহা পাপকী মশকনি নখোয়গী নফমদা অমৃতশু হেক হু ওনবনি।" রজনী শাওমনখিবনা খুদক্তা খুম্মকই, - "নুপী পুম্নমকপু পন্দুনা ঙাওগনু, নুপীনা কদায় ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বসি খক খঙদ্র?.. ঐনা'সিদা লৈরিববু য়াম্না লৈজনিঙদুনা লৈবোয় নিঙব্রা- করি লৈগে হায়দুনা মীগী মনিঙ থুংনবা লৈবিবনি।" ৱা অসিদা তোম্বনা অমুক হেন্না শাওখরে মখোন নিকনা "অদুদি চৎলো" হায়দুনা রজনীগী মপোৎ মচৈ মপান্দা লংথোকই অমসুং মশামকপুসু মপান্দা ইন্থোরকই।

"চৎকনি, মিৎকুপ অমফাওবা পনবীরোই।" অসি হায়রগা নাহোং অমগা লোয়ননা মচা পোখৎকে চংখিবদদি ওন্থোকপনি মচাদি মতম কুইনগীদমক্তা তুমখরে, পোমবদা ঙাইরিবা লৈরাংনা তীন্ন চিক্তুনা লৈখোমদা তাবগুম পোমফ্রি মরক্তা খমনুং শৱা তানখিরল্লে।

"ইমাগী ইবেম্মা, লাইবক ফবী চৎলোকো, ইঙনা চিক্লা লৈয়ুকো।" অসি হায়না অরোইবগীদমক মচা কোন্দুনা আসিষ তৌবিরমলগা মনজুনরবা ফিজোল শেৎলগা খরাই থোঙ্গাল লান্দুনা পনলেপফম খঙদনা পন্থুংফম য়াওদনা খোঙশানখি।

তোম্বনা মরু লৈদা লুকতুনা লৈহৌই। মচেম মনেম লৈকায়গী মীশিংদা "য়াম্না ফরে চৎখ্রসনু" হায়না রায় তান্নরদুনা অহল লমন কৌদুনা অশিবা মশাদু ফুমজিল্লে।

অসোমদা রজনীনা নুমিৎ নিনি চাদ থক্তনা কোয়চৎ চৎলম্লগা মমৈথংদা তরেৎখুনকী হৈ শিংলবী, অহল ওইরপ তৌবী শিল্লাংবী অমনা থেমদুনা পুশিনখি। লোইদাম থাবুম খর হৌখ্রবা মতুঙদা নোংমা রজনীনা- "অতিয়াগী নিঙথিজরবা নুমিৎ থাশু অকনবা নোং নুংশিৎকী লৈচিলনা কুপ্পদা মকশিল্লি" হায়না খনবা হৌখি।

*(ৱারীমচা অসি অইবা অসিগী **'মতমগী ৱারীমচা'** কৌবা লাইরিক অদুদগী লৌথোকচবনি।)*

শৈরেং

## কোনুং কাং তুবদা

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

ঐনা চিংনবা মীকুপ অমত্তনি
মৈতৈ অমা লাকই
থাঙ পায়দুনা লাকই
চিংনবা লৈতনা চঙখি
থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা!
লৈবাকমচাশা! লৈবাকমচাশা!
হো লৈবাকমচাশা!
নুপী অমনা কপই মরোন্দি থোক্তে
অহল অমনা হায়জৈ কনাসু তাদে
লোইনমক হায় ঐদি খঙদে ঐদি খঙদে
খঙদে কনাসু খঙদে
উরবসু উদে
য়েংউ অহাঙবদা তিনখরে জগৎকী মপু।
থাপ্লা লৈ বিষ্ণুগী অবতার
গনতন্ত্রগী গনদেবতাসু মরোল থোক্তবগুম তুমিন্না।
●

*(কবিগী শৈরেং অসি মহাক্কী শৈরেং লাইরিকশিং পুনশিনবা লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

## ইরমনিদা লমলেন্নি

**মুহম্মদ অব্দুর রহমান**

লৈশেমদা অখনবা ওইরবা
পূশেমদা অথোয়বা ওইরবা
চীংশাংনা পোমাই তুরবা
উমংনা নাতৈ লোল্লবা
অঙ্গৈংবগী কায়দোংফম ওইরবা
অচীকপগী তূংনফম ওইরবা
মালেমদা তোমথিন লৈরবা
লৈরম-তম্ফা শক্লবা,
ইরমনিদা লমলেন্নি
মণিপুর সনা লৈবাকনি!

তমেংলোং, মাও, উখ্রুল
জিরিবাম, চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল-
তেখাও, তখেল, খাগী, আৱা,
নিংথি-তম্পাক নুংওল্লম-
লৈময়োন লমগী নুংশিরম;
পোইরৈ-চীঙ্গৌই পনশারম,
ঈরিল-লাইজ ঈহৌফম;
লৈমতাক, থ্বাই, ঈরং, মকু, বরাক -
পাগী থোঙফম লৈখ্রবা
পুগী খোঙ্গুল তাখ্রবা;
ইম্ফাল, ঈরিল, থৌবাল ঈচেল ঈতিন্নরবা
লোক্তাক ঈশা মপলদা চীং-তম মমি তারবা
ইরমনিদা লমলেন্নি
মণিপুর সনা লৈবাকনি!

চীঙ্গোইনুংদি য়াইফরবা
অৱা-অনা কোক্লরম,
চীংগী ঙাইশানবা লম,
উয়ান চাকতিন্নবা লম,
চরোইনা নোংদম খোংবা লম,
থবানা ইনুং খায়বা লম,
চীংগা তমগা নক্লরম
তমগা চীংগা লোন্নরম,
ইরমনিদা লমলেন্নি
মণিপুর সনা লৈবাকনি!

মফম-মফম খুদিংদা
ওন্ন মাইকৈনবদা
মিৎয়েংফম্বু ওইরুবা
কয়াদা নিংথিজরবা।
চীংদশুনি তমদশু
তমদশুনি চীংদশু
পুক্লিং হূনফম ওইরবা
মিৎয়েংদা মিতানরবা
ইরমনিদা লমলেন্নি
মণিপুর সনা লৈবাকনি!

চীংগী চীংশা কায়ফরোই
তমগী লমদম ৱাৎফরোই
পোইরৈ ঙমখৈ হোংফরোই
মরৌ খাইবুং তৌফরোই
পা-গী থৌনা কাউফরোই
পু-গী লিংজেন থাফরোই
চীং-তম তোঙান তাফরোই
ইরৈবাক ইরমলেন মাঙফরোই
ইরমনিদা লমলেন্নি
মণিপুর সনা লৈবাকনি!
●

*(কবিগী **থম্মোয়গী খোল্লাও** কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

## শাদানবা

**ডা. মোইরাংথেম নরা**

লিরুং তেন পায়দুনা
লাং থাক্লি শাদানবা
পুক্লিং অনি লোঙদনা
মীনুংশি'মতা য়াওদনা
থৌনা ফবা শাদুনা
তানখাইরি উচেক ৱায়াশিং
মহুম পোঞ্জেল থুগায়রি।
মিপাই থিবী শজিনা
তথক তথক য়েংদুনা
খোঙকাপ তোইনা চোংজরি;
শঙাই লাবা অমোমশিং
চেনফম চোংফম লৈরক্ত
নান্থোকচবা ঙমদনা
শাদানবৈ লাংদা থুররি।
লৈফম খঙদ্র ককঙাওনরবা
মপী কায়নরবা শঙাই মচা
মিৎলু পিরাং শিন্থরি;
মতৌদু য়েংবা ঙমদরে,
করিনুংগী হাৎলুবা,
শাদানবা পুক্লিং ওল্লক্লে;
অমুক হাৎলরোই ৱাশক্লে।
●

*(কবিগী শৈরেং অসি মহাক্কী শৈরেং লাইরিক **প্রকৃতিনা তেংথাবা** লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

## অচুম্বা

**নোকুল**

নশাগী নরাল মচেৎ অমা পকত্রবা
হে অচুম্বা! তাদুনা লৈরি নঙদি
লোকখাদা ওন্থদুনা, অশোঙবা নারক মোংশোংদা
হুন্দোক্তুনা উমংদা লোৎশিন্দুনা থন্বীরি
নশা পুম্বা উফুল নমথি হঙাই কয়া তৈশিনবিদুনা।
ৱায়েলশঙগী কাচিন অমদা নমশিন্দুনা লৈরি
চৎনদ্রবা মতম লোইখ্রবা চে মপুন ওইনা;
ৱায়েলশঙগী থোঙজাওদি হাংদোক্লি ময়া লাওনা
অয়ুক্কী মতমদা নুমিৎকী মঙালনা লোন্না য়ৈরকই
নুমিদাংগী মতমদা থাগী মঙান্না তুমিন্না খিঙলকই
নাকোং অমক্তসু তাহন খঙহন্দনা,
ঙৌরোক ঙৌরবা কবোক্লে লৈরাংগী লৈনম ওইনা
লাইনিংবা নীপাদুগী থাল্লিবা উচালগী মৈরী ওইনা
নঙগী অশেঙবা মক্ত্রবা শক্লোন অদুবুদি।
হে অচুম্বা! নঙগী ৱায়েলশঙদি
ৱায়েল মপুদি
লৈরিনে পশোৎ লৈরাং ওইনা
উফুল মৈখু অমদি হাজিল্লবা মুকনা
তৈশিন্দুনা মশাপুম্বা,
আ অথাপ্পদা খুৎনা শোকপা
ঙমদ্রিবা নুংশিৎকী মতোনদা
নোংখোংখোনদা চুমথাংগী মশাদা
কৌজেং হারৌগী খোঞ্জেল মরক্তা
চেক্লাশিংগী শাখপ্তা
অমঙবা নোংনা চুপ্লিবা চীংদোনগী মরায়বক্তা
উমংগী উনাশিংগী নাহেবগী খোন্থোক্তা তিন্দুনা।
●


লাইরিক্কী মপাউ

# মহৌশা

***(মাগী মতম্না নাথৈবিরবা কবি অমা)***

| | |
|---|---|
| *লাইরিক্কী মমিং* | ঃ মহৌশা |
| *অইবা* | ঃ শরতচান্দ থিয়াম |
| *লাইরিক্কী মখল* | ঃ শৈরেং |
| *অফোঙবা* | ঃ সরদা ট্রান্সলেসন্স এন্দ পব্লিসিং গ্রুপ |
| *মমল* | ঃ লুপা ১৯৯/- |
| *চহী* | ঃ ২০১৩ |

*মশক তাক্লিবা ঃ* **সলাম তোম্বা**



"ইচে নঙ চৎখিনু/নোং অসি হেন্না কনখৎলক্লি/ইচে নঙ চৎখিনু/ ইচে নঙ ইমুংদা লোৎলু / ইচে নঙ শুকচৎ চৎখিনু।"* শৈরেং মতেক অসিনা নুমিৎ থানা পাল্লিমখৈ মশক তাকহৌগদবা কবি অমা মাগী মতম্না নাথৈবিরল্লে। মশাগী শৈরেং লাইরিক ৬ পুথোক্লবা কবি শরতচান্দ থিয়াম লমকোয় ৱারী ইবা অমা ওইনা মরুওইনা খঙনখ্রে। মাগী নুংদা য়াওরিবা কবিগী গুন্না মানা ইরকপা খুদিংদা ৱারেংদসু করিদসু শৈরেংগী মহাও পীবা ঙম্বা মহাকপু কবি অমা ওইনা শীংথানবিবা ঙসিসু ৱাংলি। ১৯৮০ দা *তেঙ্গালী কারবা পোদোন* ফোঙলবা কবি অসি মাগী ৩ শুবা শৈরেংগী লাইরিক *আফ্রিকা,* পুথোক্লকপদগীদি মাবু কবি নত্তে কনানসু হায়বা ঙমদ্রবনি। লাইরিক অদুদা য়াওবা মথক্কী শৈরেং অসি মাগী *ইচে* কৌবা মাষ্টরপীস অদুদগীনি। হৌজিক নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিদা তম্লিবা শৈরেংনি ফজখ্রবা, মতমসিগী মনিপুরবু মশক তাক্লিবা।

মাদি মমৈ তারকপা রোমান্টিক কবিনি ঐখোয়গী। মানা কপচৈ, শোঞ্জৈ, মমা লমদম মনিপুরবু য়েংল-য়েংলগা, লমদমসিগী ফজবদা ঙাওজৈ, মাঙথরক্লিবা, কায়থরক্লিবা ফিভম্বু উরগনা কপচৈ, অদুবু অশাউবা কবিদি খক ওইরক্তে, অথীবা ৱাহৈ শিজিন্নদে, ফজবা ৱাহৈনা অশাউবা ফোঙলকই। মাগী ৪ শুবা শৈরেং লাইরিক *য়ূমলিংদবশিংগী য়ূম* দগী শৈরেং মতেক অসিদা য়েংবীয়ু মাগী শাউবা মওং - *"খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তূল্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিল হঞ্জিল/ খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।"* অমুকসু মাগী ৫ শুবা লাইরিক *সুনামী* কৌবদুদগী শৈরেং মতেক অমগা লৌখৎচরি, *"হঞ্জিন হঞ্জিন নীংখায়রবা ফক্লাংসিনা/ননবদা/কয়াদি য়ামখ্রে শিরিবসে/ হৌজিক ফাওবসিদা/নীংখায়বা ঙল্লরোইদবা/ ফক্লাং অমতং/শাবা ঙমদ্রিবসিনা করিগী/ হৌজিক ফাওবা অসিদা।"* কয়াদা ৱারৌনা, কয়াদা চম্না ফোঙখ্রবা অশাউবা।

অদুবু হন্দক্কী ৬ শুবা মাগী *মহৌশা* কৌবা লাইরিক অসিদি কবি অসিগী রোমান্টিক ফিল্লিংস অদু মপুং মরৈ ফানা শাৎকায়রকপা উরে। মঙোন্দা ফাওরিবা মরমদম নুংশিবগী, ফজববু লাৎচবগী, ঈথক ঈপোম মরক্তা ঈরোন্নুংদা লূপথবগী ৱাহৈ ৱাতানা পিক থনখ্রে। ইংরাজি সাহিত্যদসু শেলী, কীটস অমসুং বাইরেশবু অনীশুবা মীরোলগী রোমান্টিক কবি হায়না খঙনৈ। কবি অহুম্মক মখোয়না হিংলিঙৈদা মীথানখিবা নত্তে, চৈবীবদনি, অদুমক্লা মখোয়গী পুন্সি তেনবদা মতেং ওইখি হায়নরিবনি। মখোয় অহুমগী মরকসিদসু কীটসপু অঙকপা ফেনোমেনল অমা ওইনা শিরবা তুংদা য়েংনরকই। মদুগী মরমদি মহাক মতোমতনি রোমান্টিক ফিল্লিংসপু ক্লাসিজিমগী সঞ্জাবতা হাপ্তুনা ইরম্বা। অনীমক চাং চপ মান্ননা থনম্মী মাগী শৈরেংসিদা। মদুমক্লি ঐখোয়গী কবি শরতচান্দসু, মানা মোডর্নিজমগী টোন পূম্বা রোমান্টিক ফিল্লিংসকী মচু শঙদুনা পুথোক্লকই মাগী হন্দক্কী লাইরিক অসিদা। মানা মরমদম মনিপুরবু মাগী চান্নবী ওইনা উরকই। অমুকসু কেল্লবী লৈরাং ওইনা উরকই, অদুনা শৈথাই অসুম্না - *"অদুবু চান্নবী/ফনা য়াম্না নঙনা হোংদুনসু/খক হোংঙু হায়বদি য়াদ্রি/ নহাকপু নুংশিবসিমদি।"* (*নহাক্কী মীনোক,* লা: ১৫) অমুকসু মানা পাখৎচৈ অদুনা শৈথারকই - *"কেল্লবী লৈরাং নঙনদি থিরক্লিব চঙজফম/থম্মোয় হূবা ঙম্নবা ঈরাং পুবী শাররি/ তপ্প ঐগী পূক্লিংবু লাঙ্গোয় চনগে হোৎনরি। লায়রবা ঐবু করিনো নঙনা মিহৌরিবা।"* অদুগা হংঙি খোয়রাংনা - *"শজিবু নোংলৈনা কায়দোংলম্বা/ নীংথিবী নঙগী মুর শল্লাংনি/কৈদ চৎখরে লুতুংগী শম্বুল/ কৈদ লোৎখ্রে শমজীগী লৈহাউ।"*ৱাংখ্রবা রোমান্টিক টোননি হায়দবা ঙল্লোই।

অদুনা ঐখোয়না অসুম্না য়েংবা য়াই। ঐখোয়গীসু ২০ শুবা চহীচাগী লোইরমদাই অসি মোডর্নিজমগী মনম চেনবা রোমান্টিক কবিশিং লৈরি। বীরেন্দ্রজিৎ নাউরেম, রঘু লৈশাংথেম, শরতচান্দ থিয়াম অসিনচিংবা কয়াগী ফুরুপ লৈরি। ইংরাজি সাহিত্যদা ১৯ শুবা চহীচাগী অরোইবা ডিকেদ অদু 'নোৎটি নাইন্টিজ' হায়না খঙনরি। মরমদি ডিকেদ অদুদা মরুওইনা সাহিত্যবু এস্থেটিক, ভেলুজ য়াওনা য়েংলকপা, সাহিত্যবু আর্ট ফোর আর্টসেক' হায়না কনফার্ম তৌরকপা তাঞ্জানি। মসিদা প্রি-রাফ্যালাইট গ্রুপকী কবিশিং, ওস্কার ৱাইর্ল্ডনচিংবা য়াওরি। মখোয়না 'হাই মোড মোডর্নিজমবু' পাল্লক্তে, তেক, কায়বা মুর্তি ঙাক্তা শৈথাবা পাল্লক্তে, অদুনা ফজববু খৌরাংজবা, মীতাবা হেল্লকখি, ফিদম্না লুরকখি। অদুম্না ঐখোয়গীসু ২০ শুবা চহীচাগী অরোইবা ডিকেদ অসিদা থোক্লক্লিবা কবি খরা অসিগী মমিং পীবীবা চুম্মি। মখোয়না মোডর্নিটিগী য়ক লাউবা অশাউবা, খোয়রাংবা অদু লৈনম চেন্না, মৈচাক্লা ওল্লবা থমোয়বু ফাজিল্লগা ফজবা থিরকপা কবিশিংনি। মখোয়দুগী মনুংদা শরতচান্দ থিয়াম্বু নাথৈরম্বা য়ারোই। মাগী হন্দক্কী শৈরেং লাইরিক অসিনা ঐখোয়বু ৱাখল য়াম্না খলহল্লে। মাগী শৈরেং খরদদি পোস্ট মোডর্নিজমগী মশক উবা ফংলি।

ইশাগী রুটতা হল্লকপা, অকায়-অতোইগী মরক্তা তুংগী আশা অমা পীবা ঙম্বা হায়বসিমক পোস্ট মোডর্নিজমগী শাজৎনি। অদুনা হন্দক্কী লাইরিক অসিদা শরতচান্দনা থিরি মাগী রুট, নেটিভিটিবু য়াম্না ময়েক শেংনা শৈথারি, ঋতু ৬ না থৌগল্লিবা ইমা মনিপুরগী ফজবা য়েন্নীংথা, নাকন্থো নোংজুথা খুদিংগী মশক য়েক্লি। অদুগী মথক্তা আশা মাঙদ্রি। কবি নীল্লকান্তনা মাগী লেন্দমার্ক ওইখ্রবা শৈরেং *মনিপুর* হায়বদুদা হংখি মমা মনিপুরদা, *নোংমা থিরকখিনি ইমা নঙবু, নঙবু কাউরবা নচাশিংনা দুষ্যন্তগুম, অদুবু মতমদুদা ইমা নঙনা কদায়দা,* হায়না। মদুগী পাউখুম পীরি ঙসিগী ঐখোয়গী কবি শরতচান্দনা মাগী *মনিপুর* কেবা শৈরেং অমদা অসুম্না - *"করিবু লৈবগে অৱাৎপা/করিবু লৈতবগে অহেনবা/থাখি খুদিং চারা/হুনখি খুদিং মরূ/হৌখিবনি/চোংখিবনি/... মনিপুর/ হৌরি উজাও ওইনা/ককথৎপীরবসু মসা/ থদৎপীরবসু মরা/হেন্না হেন্না ফনে দারক্তুনা।"*

অমুকসু লমদমসিগী তংদু লৈতাদ্রবা ফিভম অসিবু য়াম্না নুংশিনা য়েক্লি কবি অসিনা মাগী শৈরেং খরদা। অমা অনীদং লৌখৎলবদা - *"কুইরে/থোঙ থীল্লকখিদবা/মচা তোমপোক্লা/থাঙ্গৎলি নাদুদি/চোকথবা নাইদনা/শম্ননীংদনা শম্নরিবা ফমুংদুদা হিপ্লগা/ মমা লুখ্রাবীদুনা।"* (*মঙনি মঙ,* লা: ৮০) অদুবু কবি অসিনা আশা অমা পীরদুনা শৈরেং অমদা অসুম্না ইরি - *"অদুবু মরুপ/মীওইবগী ৱাখলদা য়াওরিবা শারমচৎ অসিবুদি/লৌথোক্কে খল্লিবা নহাক্কী মায় পাকপগী/নুমিৎ অদুবুদি ঙাইরি ঐহাক/লাকসু লাকখিগনি নুমিৎ অদু/মরমদি অমম্বগী মতুংদা ইন্নরক্লি অঙানবনা/"* (*নহাক্কী নরমদম,* লা: ৮২) অদুবু লানহৌবা অমগী শক্তম লৌরদুনা কবি অসিনা চিঠী অমা ইরক্লি অমুকসু - *"ঐ হল্লকপা য়াই নৎত্রগা হল্লক্তবা য়াই/নঙনদি ঙাইরমগনি ঐবু/থৱায় য়াওবা ঐগী হকচাং/করি তম্লিবগে হায়বদি ঙমদে/ নঙনসু ঙল্লোই, ঐনসু ঙমদে।"* (*লাম্নী অমগী চিঠী,* লা: ১১২) তম্বা ঙমদবা লমসিগী ফিভম ফজনা য়েক্লি হায়নীংঙি।

পাউদম্নিংবদি য়ামখ্রে কবিসিবু। অদুবু তেল্লবা মিৎকুপ অসিনা লোইদবা য়াদ্রে। অরোইবদা হায়নীংবা হায়ববু কবি শরতচান্দ থিয়াম মীরাইফম থোক্তে, ঐখোয়গী মশাগী মশক অমা পুরিবা কবিনি। হন্দক্কী লাইরিক অসিগী মরমদা ৱাফম অমতংদি পন্নিংঙি। ফজখ্রবা মাগী কল্পনাগী সংসার অমদা শেমগৎলক্লিবা রোমান্টিক শৈরেং কয়াসিগী মরক্তা তোঙান্না তাবা শৈরেং খরা হাপচিনবা উই। মসিনা ফজবদা মতেং পাংবগী মহুত্তা ৱাফম অমরোমদা পুখিগে তৌরকই অপাববু। শৈরেং ৬৬ মক অসি লোইনা নৎত্রবসু শৈরেং খরদি মতম চুপ্পদা থিরক্লগদবা ওই। মমৈ তারকপা পুন্সি ওইবনা মায়কৈ চুম্না মহৌশাদা চঙজরকপা, মহৌশাবু য়েংবৈ পেনবা নাইজদবা, পুন্সিবু কল্লকচবা, ফজববু, অচুম্ববু ঈরাৎচবা কবি অমা ওইনদি উরে হন্দক্কী অসিদা। খরগা হেন্না চঙশিনহন্নিংলি। খরগা কূপ্না ইরকপা শৈরেংশিং খৌরাংনা ঙাইরি।

ঈশৈ

## ঐবু অমুক্তা কৌরম্মু

ঐবু অমুক্তা কৌরম্মু
কৌনীংদ্রবা নচীন্না।
করম লেল্লি হংলম্মু
মরুপ ওইব'ই হৌনশা।।

অশোকপা থম্মোয় পুদুনা
হনখিবদি চুম্বরা !
হঙ্গোইরে হায়বা উত্তুনা
চৎখিবদি চুম্বরা!
তাইবং লৈরাং করিনো-
কেনখিবনা মশিলনি।।

লৈঙোইদা খোঙ্গুল তাখিবা
নোংমা শোয়দনা মূৎখিনি।
থম্মোয়দা চৈনা তূংশিনবা
লিংজেল হাক্লা খামল্লি।
পুন্সি লৈরাং ইঙেল্লে
নোংলৈ নুংশিৎ ঙাইবনি।।

*শৈরেংবা ঃ বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*

## লৈকোলগী লৈরাং মরকসিদা

লৈকোলগী লৈরাং মরকসিদা
ঐগী অপাম্বা লৈদি খনফম খঙদরে
ফজবগী ফজবা ঙাক্তা ঙায়রে
ঐগী মীৎয়েং তথক তথক্লে।

লৈপাম্বা খোইমুগী মতৌগুম ঐদি
লৈরাং খূদীংদা তৌজরোই চীরোন্দি
ফজবদা ঐদি শুস্কত্তুনা ঙাওজরে
চীনবাল থোক্ত্রবসু ঈশৈদি ঙংজরে।

লৈখোঙদা ঙাইহাকসু নুংঙাইনা লৈগে
হরাও-তয়াম্বগী জগোয়বু য়েংগে
চান্নবীনা ঐগী ঈনাক্তা লৈরি
লৈ অমতংদি খূদোল তম্নিংই।

*শৈরেংবা ঃ* উলেল্ মীতৈ

হন্দোকপা

*হান্নগী মখা ...*

# লম্বোইবী

হিন্দীদা ইবা- গোরা পন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

মরক-মরক্তা মাগী অসিগুম্বা থৌনা ফবসি উবদা ঐ লৈফম খঙদে। কিকী ঐগী ইপুরোইবগী মখুরাগী মচানুপীনি- মচন্নুপীনি, মরমসিনা মরক মরক্তা মাগী নুপামুয়মগী ৱাকৎ কয়াসু ঐ তাবা তারম্মী। মাগী মপুরোইবদু নিঙোল মঙাগী মনুংদা মথন্তা য়াওবা পিবানি। মরমসিনা নিঙোলশিংনা মাবু লুনা তৌবা অদুগা কিকীবুনা য়েংশিনবা হায়বসি মহৌশানি। কিকীগী মরায়বক ফবা অমনা মাগী মনম্মা মরিদু য়াম্না লাপ্পা-লাপ্পা ওংই অদুনা তোয়না তোয়না লাক্তে অদুবু মচন্নুবী অদুদি ময়ুম পানেদ। মাদি ডাক্তরনি, থংনবা শহরদা থবক তায় মরমদুনা ছুটি খিত্তং হেক ফংবদা হায়রকপা খোৎলকপা হেক্তা লাকই। কিকীদি মাবু য়াম্না হৈনদে। মাগা লুহোংদ্রিঙৈ মমাংদদি মবুংগী লুনা তৌজবী মচন্নুপীনি, মানা মবুংগী শকহেনবী অনৌবীগী কোকখুম ফি হেক হায়দোক্লুবদগীদি য়াম্না হৌনখঙদবা লীচৎ চৎলকপা হৌরে।

ঙসি ফাওবদা মানা মহাক্কী মহৈ-মশিং, হৈশিংবা অমদি শক-ফজবগীদমক চাউথোকচরম্মী, অদুবু মাগী মনম্মগী পুক্লিং হুনা ফজরবা শক্তম 'দুগী মমাংদা মা করিসু নৎলমদ্রে। অসুম তৌনা ইখঙ খঙহৌদনা মায়থিবা নঙবা অসিদা মা হায়ফম খঙদবা অৱাবা অমা ওইরে, নাকল অমরোমদনা নোংম-নোংমগী হন্থরক্লিবা নহাগী পুন্সি অসিনা মাবু অমুক্কা হেন্না খোয়রাং খোয়শাওনহল্লি। মানা ঙাংবা ৱা, তৌবা থবক্তা কিকীনা হেক্তা ককথৎলি। ঐনা কয়ারক হন্না ৱাতেমখি অদুবু মখোয় অনীমক অমত্তা হন্নদে। তপ্প-তপ্পা মাগী মচন্নুপী অদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী ইমুংদা লাঞ্জাও অমা থোক্লে। চহী অদুমক্তদা ঐগী ইপুরোইবগী ট্রান্সফরসু লাক্লে, অদুগা মফমদুদা কিকীদগী চিঠি অমা ফংখি।

ইরম্মী - "হৌজিক্তা লুহোংবা মতুং চহী নিপালগী মতুংদা হনীমুন চৎলি। ইনেমবোকসু মচানুপীগী মতুং ইন্দুনা চৎখ্রে। য়াম্না খৎনরে, চৎলমদাইদা মচানুপাদা মাগী অশিবা মশাদু থাংবা ফংদবা ওইয়ু হায়না শাপ তৌরম্মী। নঙগী নুপীনা শেমজিল্লে, ঐ ভাব লোয়না তায়। ফরে মীকিথি ওইনা মাগী ফিজি য়ান্নদুনা লৈয়ু। য়েংউকো, নোংমদি শোয়দনা মাগী ফিজিদুদা খুদি থিগনি নঙ।"

মাগী চিঠি অদুগী মতুংদা ঐ মাগা অমুক্তংখক্তমক উন্নখি। মাগী মপুরোইবদু হৌজিক্তি ফম য়াম্না চাওরে। মাগী মওং-মরিল নাইরবা য়ুম্বাল-কৈবাল, য়াম্না নিংথিনা চংখোন্না শারবা বঙ্গলা, চম্প্রাসী, গাড়ী অদুগা রেশমগী মতৌগুম মোন-মোন লাউরবা অশংবা নাপী মথক্তা শান্নরিবা মচানুপা অমা, নুপী অমা, কয়াদা নুংঙাইখ্রবনো। য়ুম্বাল-কৈবাল নুংঙাইরবনিনা কুচু কুমেনসু থোক্লে। মশাদি হান্নদগীসু হৌনা অদুম নোয়বনি। হৌজিক্তি মচা চেল্লবনিনা অমুক্কসু হেন্না মঙাল লাক্লে। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনা মাগী মপুরোইবদুনি। বলরামদি ঐনা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা উরক্লবনি। ধুপ-ধুপ লাউরদনা, ইনাকখুনবা ইমুংগী অমত্তা পোকচবা মচানুপাগী হৌনবী, মখৌরীদু ইথোন হেক থোল্লদনা, ঘীদা লুপ্পা বেসনগী লড্ডু চাবা পামজবনিনা মবুক্তু ঙাক্তা হেক্তা ইনথোক্লদনা। মাগী কোটকী কুদামদু অমুক্তা মপা চান্ননা পানদে অদুগা মাগী খোংগ্রাওগী কুদামসু নিংথিনা পান্দবগী মীনা মঙোন্দা ওনশিনবদা হঙ্গোইবা হায়বদু হেক ওই। ইংলিস স্কুলদা তমদুনা, লাইরিক ফনা হৈরবসু মাবু সিগী হৈনবীশিমদি থাদোকহনবা ঙমদ্রে। করিগুম্বদা ময়াম পুন্না চাক চামিন্নরবসু হৌনা হৌনা থগেবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদে, সোফা মথক্তা মখোঙ অনিমক থাঙ্গৎতুনা ফম্মী অদুগা মীনা তানিংলোইদবা ফাগী তৌদুনা নোকপগী মহুত্তা হন্দোকনিংবা হেক ফাওহল্লি। অদুবু মখোয়গী তোঙানবা অনৌবা য়ুম্বাল অমা হেক লৈখিবদগীদি, মিত্রংগী মতৌগুমখ্রে। নিংথিনা শেৎলবা খোঙগ্রাও অমদি কিকীনা লোনবা শামতুগী অরাংবা স্বেতর, লুনা নাননা হাৎলবা শম অমদি য়ার্দলে লেবেন্দরগী নুংশিবা মনম। *মথৎ মথৎ...*

সাহিত্যগী খোঙচৎ

### *রাইটিং ট্রুথ টু পাৱর* ফোঙখ্রে

অশাংবা কম্যুনিকেসন মনিপুরগী ৪২ শুবা লাইরিক ওইরিবা সেরাম নেকেন্না ইবা *রাইটিং ট্রুথ টু পাৱর* হায়বা ইংগ্রাজি লোন্দা ইবা আর্টিকলশিংগী খোমজিনবা লাইরিক অমা *হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি হোল* দা ঙসি জুলাই ১২, ২০১৪ দা ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা কে রাধাকুমার, আই এ এস দেপ্ল্যুটি কম্মিস্নর ইম্ফাল ৱেষ্টনা চীফ গেষ্ট, থৌদাম ইমোমচা, ফোর্মর ন্যুজ রিদর, এ আই আর ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম, এসোসিয়েট প্রোফেসর, জে এন য়ু, ন্যু দিল্লি অমদি এন ইবুঙোচৌবী, জর্নেলিষ্টনা লাইরিক্কী মরমদা শুগায়বা ৱারোলশিং থমখি। *হুইয়েন লানপাউ* ইংলিস এডিসনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎ খুদিংদা হাপ্লিবা ভোইসলেস স্পীকতা য়াওখিবা আর্টিকল ৫০ গী অপুনবা কল্লেক্সন অমনি। অইবা সেরাম নেকেন *হুইয়েন লানপাউ* কল্মনিষ্ট ফোরমগী সেক্রেটরিসু ওইরি। মহাক্কী মমাংদা লাইরিক অনী - *ষ্টেট, সোসাইটি এন্দ গভর্নান্স* (২০১২) অমদি *ভোইস ওফ দি ভোইসলেস* (২০১৩) ফোঙখ্রে। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিনা অইবা অসিগী অহুমশুবা লাইরিক্নি।

### *মীচৈ অমগী চৈনা* ফোঙখ্রে

হৌখিবা জুলাই ৬, ২০১৪ দা ক্ষেত্রিময়ুম ব্রজমনিনা ইবা *মীচৈ অমগী চৈনা* হায়না মীংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমা মনিপুর হিন্দি পরিষদ ইম্ফালগী হোলদা ফোঙখ্রে। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসোসিয়েট প্রোফেসর এস লনচেনবা মীতৈনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালগী ভাইস চ্যেরমেন ডা. নোংমাইথেম তোম্বী অমদি রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অরিবম কুমার শর্ম্মনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

*(কলমসিদা সাহিত্যগী থৌরম, লাইরিক নৈনবা, শৈরেং শৈদিন্নবা, লাইরিক ফোঙবনচিংবগী পাউ ফোংজনবগীদমক মরী লৈনবা অইবা/অইবী অমদি সাহিত্যগী লুপশিংনা মতম চানা প্রেসতা পাউ পীবীরক্লবা হায়জরি - এডিটর)*